এক্সিদেন্টতা ১ শিরে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) :

লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লিলোং চাওবোক মাইরেন খুল মখা লৈকায় এরিয়াদা ঙরাং নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা মারুটি ভেন (এম এন ০১-৬৩৮০) কার অমা লম্বীগী নাকনদা লৈবা পুখ্রিদা তাশিনবদগী কার অদু থৌরকপা অমা শিরে, অতোংবা অমা শোক্লে। থৌদোক অদুগী মতাংদা লিলোং পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

রিজল্ট লাউথোক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ : ইরোম মৈজ্রাও ন্যু প্রাইমারি স্কুলনা শীন্দুনা থা অসিগী ২দা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল মীতৈ ময়েক কম্পিটিসন ২০১৭গী রিজল্ট লাউথোক্লে হায়রি।

ইরোম মৈজ্রাও ন্যু প্রাইমারি স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস কে ঐচ ইবেয়াইমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কম্পিটিসন অসিদা মহৈরোয়শিংনা গ্রুপ অনী থোক্লা চাংদম্নবদা কেটগরি এদা অঙোম ৱিলসন, ক্লাস-টু, ষ্টেন্দার্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা অহানবা, এ মনিচন্দ্র, ক্লাস-ৱান, ইরোম মৈজ্রাও ন্যু প্রাইমারি স্কুলনা অনীশুবা অমসুং এন হিটলর, ক্লাস-টু, ষ্টেন্দার্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা অহুমশুবা তাখ্রে। কেটগরি বিদা এন সনামতুম, ইরোম মৈজ্রাও ন্যু প্রাইমারি স্কুলনা অহানবা, সী ঐচ সুচিত্রা, ক্লাই ফোর, ষ্টেন্দার্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা অনীশুবা অমসুং স্কুল অসিমক্কী এন নেপোলিয়ন ক্লাই ফাইবনা অহুমশুবা তাখ্রে হায়রি।

ক্ষেত্রিময়ুম রবিকুমার ওকখ্রে

মীথোই-মীহেল্লবা মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

FELICITA
Ksh vik
Successful Candid the C
Prize Distrib to
Venue: Childre
Juvenil
Kal

ককচিং, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) :

য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (য়ু পি এস সী) না লৌবা সিভিল সার্ভিসেস এগজামিনেসন ২০১৬ তা ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা রেঙ্ক ৭৬৯ শুবদা মায় পাক্লকখ্রবা, ককচিং মখা লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ুম রবিকুমার অমদি মীথোই-মীহেল্লবা মহৈরোয়শিংবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং মখা লৈকায় চিলদ্রেন পার্ক কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

জুবেনাইল এসোসিএসন ককচিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর নাওরেম প্রভীন (আই এ এস) না চীফ গেষ্ট, জুবেনাইল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ইবোবীনা প্রসিদেন্ট অমসুং ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১০ গী কাউন্সিল্লর কে এস ঐচ অনিতা, ৱার্দ নম্বর ১১ গী কাউন্সিল্লর কে এস ঐচ ঝলজিৎ অমদি চীফ মেনেজর, এস বি আই লীদ বেঙ্ক ওফিস, ইম্ফাল ৱেষ্ট এন নিমাইনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অশিল-অরাংগী মায়কৈদগী সিভিল সার্ভিসেস এগজামিনেসন ২০১৬ তা ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা রেঙ্ক ৭৬৯ শুবদা মায় পাক্লকখ্রবা, ককচিং মখা লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ুম রবিকুমার অমসুং বোসেম, কোসেম, এ আই এস এস ঈ অমসুং এ আই এস এস সী ঈনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্বকী এগজামিনেসনদা মার্ক ৱাংনা ফংদুনা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয়শিংদা সাইকল অমমম অমসুং খুদোলপোৎশিং পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

অমরোমদা, খেকমন প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসন কম্মিটি, খেকমননা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা বোসেম, কোসেম, এ আই এস এস ঈ অমসুং এ আই এস এস সী ঈনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্বকী এগজামিনেসনদা মার্ক ৱাংনা ফংদুনা মায় পাক্লকখ্রবা খেকমন গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা ১৯লকশুবা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি খেকমন জিল্লা কৈথেল, কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লৈশাংথেম জিল্লাগী মেম্বর এম দি অব্দুল লাতিফনা চীফ গেষ্ট, খেকমন জি পিগী প্রধান অসেম সুবোলনা প্রসিদেন্ট অমসুং থবক্তগী পোথারবা দিরেক্টর হেল্থ সার্ভিস, মণিপুর ডা. অসেম বিজোই, থবক্তগী পোথারবা এম পি এস মাইবম তখেল, এসোসিএট প্রোফেসর থৌবাল কোলেজ, ডা. অসেম নবচন্দ্র, এসোসিএট প্রোফেসর, থৌবাল কোলেজ, ডা. ৱাংজম ইন্দ্রজিৎ অমসুং থবক্তগী পোথারবা হেদ মাষ্টর য়ুম্নাম নিপামচানা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লমদম অসিবু অফবা খুন্নাই অমা ওইহনবা হায়বা পান্দমদা কম্মিটি অসিনা মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা চহী লিশাং শিংনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অখন্নবা মনাশিং ওইনা এন ঈ ঈ টি-২০১৭ তা মায় পাক্লকখ্রবা অসেম সিংহজিৎ অমসুং হুইরোংবম নরেশ অনীবুসু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা মনা পীখি। কম্মিটি অসিনা পীরিবা মনাশিং অসিগী মথক্তা লমদম অসিগী সোসল ৱার্কর কয়ানা প্রাইজ ১২ হাপচিন্দুনা মনা-মথুমসু পীখি।

ঈচাউ থোক্লিবসি হান্নগী লৈঙাক্লা তুরেল খোংনুং তেংলমদবদগীনি : সী ঐচ শান্তিকুমার

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা নোং খরা কন্না তাবগা ঈচাউ হেক্তা থোক্লিবসি হান্নগী লৈঙাক্লা তুরেল খোংনুং তেংলমদবদগী ঙসি মীয়াম্না ঈশিং ঈচাউ থোক্তুনা অৱাবা মায়োক্নবনি হায়না বি জে পিগী এক্স-প্রসিদেন্ট সী ঐচ শান্তিকুমার শর্ম্মনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দলনা শিন্দুনা পন্দিত দিন দয়াল উপধ্যাগী ১০০শুবা নিংশিং থৌরম অমা হরাওরৌদা লৈবা এক্স-বি জে পি কেন্দিদেট থাংজম মোহেন্দ্রোগী য়ুমদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা বি জে পি এক্স-প্রসিদেন্ট এস ঐচ শান্তিকুমার শর্ম্মা, সঙ্ঘথন মন্ত্রি বি জে পি মণিপুরগী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন পি প্রেমানন্দ, এক্স-বি জে পি কেন্দিদেট টি ঐচ মোহেন্দ্রো, বি জে পি ইন-চার্জ খুন্দ্রাকপমগী ফুলটাইম ৱার্কর এন অমরজিৎ, ডা. কালা, বি জে পিগী ফুলটাইম ৱার্কর এস শ্যামকেশোর, বি জে পি মন্দল প্রসিদেন্ট এন জি ইবোয়াইমা, মহিলা নেসনল ইগজিক্যুটিব মেম্বর মিনা অমদি খুন্দ্রাকপমগী মহিলা প্রসিদেন্ট এন জি ঙানবীনা মথংশিংনা দেজদা ফমখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা এস ঐচ শান্তিকুমার শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা, কোংগ্রেসকী মতমদা খ্বাইদগী ৱাবা অসি বন্দ-ব্লোকেদ তৌরম্বা অদু বি জে পি হেক লাকপদগী লৈহনখিদ্রে। উখ্রুল, সেনাপতি, চান্দেল, তমেংলোং-নচিংবদা চৎপা ঙম্লম্বা অমদি কিনরম্বা অদু হৌজিক্তি নিংতম্না চৎপা ঙম্লে। নুমিৎ ৩৫০ নি হেন্না চুড়াচান্দপুরদা অশিবা হকচাং ৯ মথৌ-মঙম পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরম্বা অদু বি জে পি লৈঙাক লাকপগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানরগা লোইশিনখ্রে।

বি জে পিগী ৱাখল্লোনদি বি জে পি অমদি কোংগ্রেসকী মীওই ওইগেরা ওইসনু অৱাবা নংলবা মীয়ামগী য়ুম অমদি টৌইলেট শাবদা মতেং পাংনবা হোৎনবনি। হৌজিক মণিপুরগী তম্পাক লম ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেলশিং নোং খরা কন্না হেক তাবগা ঈচাউ থোক্লিবসি হান্নগী লৈঙাক্লা তুরেলশিং অসিগী খোংনুং মতম শাংনা তেংবীরমদবনা চীংদগী চেন্থরকপা লৈনাং তুরেল খোংনুং হেক্তা থেনগৎলি। তুরেল খোংনুং তেংদনা তোর্ব্বান থোনবনদি কান্নরোই।

তুরেলগী খোংনুং অসি লুনা তেংথোক্লবদি ঈশিং চেনগনি। চীংদা উ-ৱা য়াম্না য়াম্থৎপদগী নোং খরা হেক তাবগা চীংদা চূপশিনগদবা ঈশিং অদু চেন্থরক্লিবা অসি থিংনবা অমদি উ-পাম্বী য়াম্না থাবা মথৌ তারি। তুরেল খোংনুংদা লন্নাইমীওই কয়ানা পাট্টা তাশিল্লিবা অসি লৌথোকপা তাই। য়ুম শাদ্রিঙৈদা য়ুমগী অকোয়বদা ঈথৈ-লৌখোং নিংথিনা থম্বীগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুরগী সঙ্ঘথন মন্ত্রি সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন ওইরিবা পি প্রেমানন্দনা ফোঙদোকখিবদা, ভোট কাখ্রবা মতুং অমদি কাখিদ্রবা মতুংদসু বি জে পিনা হান্না থমখিবা ৱাখল্লোন অদু থবক ওইনা পাঙথোক্কনি। বি জে পিনা পামজরম্বা চাউখৎ-থৌরাংগী থবক খুঙ্গংদগী হান্না পায়খৎনবা হোৎনগনি।

মসিদা নত্তনা বি জে পি বুঠ কম্মিটিগী মীটিং পাঙথোকপদা বি জে পিগী মন্দল প্রসিদেন্টনা মতম চানা মীয়ামদা পাউ পীনবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা মীয়ামদা মতম চানা পাউ পীবা ঙমদ্রগদি মহাক প্রসিদেন্টকী ফমদগী লৌথোক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মতম-মতমগী লৈঙাক হোংলকপা মতমদা বি জে পিগী ৱার্করশিংনা অতোপ্পা পার্টি অমদগী অমদা চোংদনবা গ্রাস রুটতগী হৌনা অকনবা থবক পায়খৎকদবনিসু হায়খি।

থৌরম অদুদা খুন্দ্রাকপম এ সীগী বি জে পিগী এক্স-কেন্দিদেট টি ঐচ মোহেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, ঐহাক ভোট লেপ্পদা মমাঙদা কাদ্রবসু হৌজিক বি জে পিগী লৈঙাক লৈবনা ঐখোয়গী মথৌ তাবা থবক্তি অদুম তৌখিগনি। লাক্কদৌরিবা সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিব পঞ্চায়টকী ইলেক্সন অসিদা বি জে পিগী ওইবা মীওই প্রধান অমদি জিল্লা পরিষদকী মেম্বরশিং থাগৎনবা হোৎনসি।

ঐগীদা মীনা লাক্লগা হোৎনগদবা নত্তে, ইশা ইশানা হোৎনফম থোকই : মিরাবাই

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) :

লমদম অমা ফুরুপ অমা হায়বসিদা ইশা-ইশানা হোৎনদনা কনানসু লাক্তুনা হোৎনবীরোই। ঐগীদা মীনা লাক্লগা হোৎনগদবা নত্তে, ঐখোয়গীদি ঐখোয়না হোৎনফম থোকই হায়না পাৎশোই এ সীগী এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংচুপ হারম খোর্জৈ লূপ (নোহাখোল) য়ুরেম্বমনা শিন্দুনা তোংব্রম শামুঙৌনা ইবা *পূক্নিংগী নাচোম* শৈরেংগী লাইরিক অমা সগোলবন্দ লাংজিং অচৌবা মমাঙ লৈরক কম্যুনিটি হোলদা ফোঙবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবী এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা হায়খি, সোসাইটি অসিদা হোংলক্লিবা চাউখৎ লমজেলদা ওইরবসু, ঈশিং-নুংশিৎতা য়েংলবসু চাউখৎলকপগী মতীক অমাংবা ওইরক্লি। মসিদা ইপা-ইপুদগী লৈরক্লবা, থম্বীরম্লবা কয়া সাহিত্যদা পুথোক্তুনা হোৎনরি। মসিদা লাইরিক অমা ফোঙবা হায়বসি য়াম্না কান্নবা পীরিবনি। মসিদগী ৱাখল লৌশিং কয়া ফংনরি।

লান্না চৎলুরবা কয়া, তিন্নরুবা মরূপ-মপাংদগী ফরকপা কয়া অমসু লৈরিবনি। অদুনা তোঙান-তোঙান লৈবা তারবসু অফবদি লৌবা ওইহনসি। লাইওইখ্রবা অইবা কয়ানা উপন্যাস কয়া ইরম্বা অদুনা, খেন্নবা লৈত্রবা ফুরুপশিংগী লৈহল্লল্লিবনি। অইবা লৈরমদ্রবদি দ্রামা, সিনেমা, লীলা হায়বসিসু লৈরম্লোই। মী পুম্নমক্তা ফোঙদোকপা ঙমদ্রবসু লাইরিক্তদি ফোঙদোকপা ঙম্মী হায়বসি লাইরিক পাবদা খঙবা ঙম্মী। মহাত্মা গান্ধীনা হায়রম্বা, ঐনা পামদবদু মীঙোন্দা খক তৌরোইদবনি হায়বসি, গান্ধীনা চিন্না হায়রম্বা নত্তে।

পাউতাক ওইনা ইদুনা থম্লম্বদগীনি। মীওইবা হায়বসি অমত্তা ৱাৎপা য়াবা নত্তে। অদুনা অইবনা খুন্নাইদা খূদোল অমা তম্লিবসি অফবনি। ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অসিদগীসু ৱাখল লৌশিং ওইবা য়াবশিংদি লৌশিনসি। খুন্নাই অসি পুনশিন্নবা হোৎনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা নোহাখোলগী প্রসিদেন্ট ডা. এল শশীকুমার য়ুরেম্বমনা প্রসিদেন্ট, দল্লিয়ু এস সী লাংজিং অচৌবগী ভাইস-প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম নবনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট প্রো. ডা. কোইজম শান্তিবালানা লাইরিক মশক তাকখি। অপুনবা লাইরিক, ১৬৪শুবা মশিংগী লাইরিক ফোঙবনি।

চরাংপাৎ জি পিগী অফবা মহৈরোয়শিং পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ : ইকো ৱারিয়র নেটৱার্ক চারাংপাৎনা শীন্দুনা বোসেম অমসুং সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেন অমদি টুৱেল্বকী এগজামদা চরাংপাৎ জি পিগী মনুংদা লৈবা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোয়শিং পূক্নিং থৌগৎতুনা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী চেয়রমেন রিটায়ার্দ লেফটিনেন্ট জেনরেল কোন্সম হিমালয়ানা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা হায়খি, মায় পাকপা মীওই অমা ওইগে হায়রবদি এগজামশিংদা মার্ক ৱাংনা ফংবা খক্তনা য়ারোই। ইশানা ইশাবু থাজবা থম্বা, ইশাগী পান্দম অমা থমদুনা মদুবু ফংনবা মাঙলোমদা চৎনবা হোৎনবা, থকসি খাসি লৈবা, অহল-লমনশিংদা থৌগল্লোন, লমচৎ শাজৎ ফজনা চৎপা অমদি মপুবু থাগোন্নবা চৎপা তাই। অহল-লমন, মমা-মপা ওইরিবশিংনসু মচা-মশুশিংবু অফবা অচুম্বা লম্বীদা চৎনবা, ফত্তবা লম্বীশিংদগী চেকশিনবীয়ু হায়বা ৱাফম থমখি।

থৌরম অদুদা রিটয়ার্দ হেদমাষ্টর ফৈরোইজম ইবোপীশকনা থৌরম মপু অমদি ইকো ৱারিয়র নেটৱার্ককী এদভাইজর থোকচোম চন্দ্রজিৎনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না ৱাঙ্খেম এ সীগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী য়ু পি এস সী অমদি এম পি এস সীগী এগজামদা মায় পাক্লকবা খুদিংমক্তা লুপা ৫০/৫০ পীগনি হায়না ১১শুবা এসেম্ব্লিমীখলদা এল জি পিগী মীরেপ ওইখিবা কে জদুমণিনা লাউথোকখি। থৌরম অদুদা চরাংপাৎ জি পিগী মনুংদগী খ্বাইদগী মকোকমথং তারবা বোসেম অমসুং সী বি এস ঈগী ওইনা ক্লাস টেনগী মহৈরোয় মঙা, কোসেম অমসুং সী বি এস ঈগী ক্লাস টুৱেল্বগী মহৈরোয় তরুক্তা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লূপ কয়ানা কোন্সম হিমালয়াদা অচম্বা খুদোলপোৎশিং তমখি।

/BEAUTICIAN WANTED

Sl. No.	Post	Qualifcation	Salary Start
1.	Beautician	No Need	7000-10,000 Depend upon experience
2.	Hair Dresser	No Need	Depend Upon Experience

Visiting Time : 11:00 a.m. - 4:00 p.m.

Contact : HAT-Professional
(Beauty Salon) Yaiskul Moirangkhom
Phone No. 8974622525
HL-P/2025/9to12

ꯊꯥꯒꯠꯄ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ
থাগৎপা ফোঙদোকপা

Bashikhong High School দা Thongju Kendra Development Committee 5/17 না তুরেল তোর্ব্বান কায়রকপদগী অৱাবা তারবা মীওইশিংগী হাংলিবা Flood Relief Camp অসিদা Thongju Kendra গী মীহুৎ ঈকায় খুম্নজরিবা Hon'ble Minister Th. Biswajit না 5/17 গী মীওই অমমমদা চেঙ কেজি ৫, হৱাই কেজি ½, অচাথাউ লিটর ½, আলু কেজি ১, তিল্হৌ কেজি ১, থুম পেকেট ১ অমসুং ঙারীনচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপীবগীদমক মীয়াম্না হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লোয়ননা শেলগী তেংবাঙ অমদি চান-থক্নবা পোৎলম কয়া Relief Camp অসিদা তেংবাঙবীরকপা মীওইশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ফোঙদোকচরিবা :
Thokchom Surjit Singh, Secretary,
Thongju Kendra Dev. Committee
5/17, Bashikhong.
HL-P/2039/10

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুংলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শৎতনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঙথিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঙরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকথাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোঙ্গিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. 9615533737, 9856271907
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee
HL-B/3974/28/06-28/07

ꯂꯩꯀꯣꯜꯒꯤ ꯃꯤ ꯄꯥꯝꯖꯩ/লৈকোলগী মী পামজৈ

লৈকোল অমা শেমগৎপগী নুপা-৫, নুপী -৫ পামজৈ। মরী-মতাগী মতেং ফংদ্রবা নৎত্রগা কনা লৈজদবা মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীগনি। চহী ৪০ দগী ৬০ ফাওবগী মীওইনা হেন্না পাম্মী। নিশা শিজিন্নবা য়াদে। Farm দা লৈগদবনি।

তাং ১১ ফাওবগী মনুংদা লাকপীয়ু। Aadhaar Card পুবিরকউ। তলব হৈ-শিংবগী মখা পোনগনি।

Contact : 8787765148
Yongchak Farm, Tronglaobi
HL-P/2033/9&10



job vacancies

Sl.No. Name of Job Vacancy : Age : Qualification : Salary P/M

1.Wanted C.S.A. For upcoming FMCG Companies in Imphal.
Post: - C.S.A Staff for regular Job Age: - 18 to 38 years. X /XII - Rs-9800 to Rs-14200.
No of Post-14 both male & Female. Working Hour:- 3 to 5 hour. Job Role :- Back Office

2. SMS. Job Staff Wanted: - An ISO 9001: 2008 certified company
India's No.1 Part-Time/Home Based Work Provider Since 1997
Part Time: - Working Hour 2 hour /day. Rs-500 -700 per day Salary. Qua: - VIII & Above.
Full Time: - Qua – X/XII & Above, Age -18 to 35 years only. Monthly Salary: - Rs-7500 to Rs-16200.

3. Urgent Recruitment Tele-Caller Reception in Imphal.
Post: - Tele caller Reception 18 to 40 years XII to Graduation or Equivalent
Monthly Salary: - Rs-10200 to Rs-21200. Travelling fees provided. No of Post : 06

4. Urgent requirement for Field Staff :
Post :- Field Staff / Field Agent / C.S.A- 18 to 35 years X-Graduation Rs-16500+
Provided for -Insurance, Travelling & Allowance.

5. Join Merchant Navy After 10th or ITI Course to Graduate
Requirement For :- 1. Rank-Trainee Navigation Officer (Deck Cadet) Salary- Rs 25,00/- to 45,000/-
2.Rank-Third/Second Officer Salary- Rs 90,000/- to 1,25,000/- pm
3.Rank-Chief Officer ,Salary- Rs 2,20,000/- to 2,50,000/- pm
* Fresher candidate can apply after Age of 17 years.

6. VACANCIES IN JET AIRWAYS, SPICE JET, INDIGO AIRLINES
FOR CABIN CREW, AIR HOSTESS, GROUND STAFF, TECHNICAL DEPARTMENT (+12,GRADUATES)
Min Salary Rs. 20000 Max Salary Rs. 70000 Age - 18 to 38 Years
Jobs in Airport as Supervisor&loader(10th&12th pass)Job Type: Full-time Min Salary: ₹28,000.0

7. 9 International Business jobs in Dubai, United Arab Emirates + 10 miles
i) Financial Planning & Analysis Accountant Min Qualification :- XII,
ii) Online Sales Manager (Home Electronics) Salary :- Rs-66,0000 Starting
iii) Business Development Manager Age :- 18 to 36 years
Facility: - Accommodation & Travelling fees free

8. Wanted Back Office Staff for Imphal :-
i) Asst- Manager / Area Manager 20-36 years Min-Graduate Rs-24,000 - 30,000
ii) Reception , Attendent , Accountant 18 - 36 years Min-XII Rs- 8,700 - 14,000
iii) Driver , Peon & Helper -do- Min-VIII - Rs- 6,000 - 9,600

Helpline nos-8974975286 VISIT US AT :- Helpline nos-8974975286
Office of the :- Leima Job Guideline Service, Kwakeithel Bazaar,Airport Road, Imphal.
HL-B/3910/4 to 1 Aug. (alt.)

STUDY MBBS/MD IN ABROAD
Estd : 2003
BANGLADESH: PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, SYLHET WOMEN'S MEDICAL & TMSS MEDICAL COLLEGE.
KAZAKHSTAN: SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, KAZAKH NATIONAL MEDICAL UNIVERSITY.
PHILIPPINES: - AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM, EMILIO AGUINALDO SCHOOL OF MEDICINES.
CHINA: HENAN UNIVERSITY, HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE AND TECHNOLOGY, ZHENGZHOU, KUNMING,
RUSSIA : ALTAI STATE MEDICAL UNIVERSITY, RUSSIA.
GEORGIA: EUROPEAN UNIVERSITY
PLZ Contact: - Atawar Rahman, A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong,Near Cambridge School, old Campus Imphal.
Contact No. : 9856363129, 9615706900 , 8257053310,8974084294 ,
HL-B/3969/26,28 jun -26 jul.

/REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Registration Certificate of Alto Car bearing Registration No. MN01W 3547 on the way between Heingang and Shangakpham on 30-06-2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Shamurailatpam Roshni Kumar Sharma
S/o Sh. Apabi Sharma,
Thangmeiband Lourung Purel Leikai.
HL-P/2038/10

ꯏꯌꯥꯝꯕ ꯂꯥꯏꯁ꯭ꯔꯝ ꯁꯨꯙꯥꯀꯔ (ꯁꯥꯃꯨ) ꯕꯨ ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ
ইয়াম্বা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) বু থাগৎচরি

L. Sudhakar

ঐগী ওইথংবা ঈশিং মরী মথক থংবদা এম এম ১০ চাওবা নুঙ অমা লৈবদগী শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা **লাইশ্রম সুধাকর (শামু)**-না বাবাগী মহুৎ শিন্দুনা লায়েংবীবদগী ইয়াম্বা সুধাকরদগী হীদাক লৌজরগা হপ্তা মরীখকচাবদগী ঐগী নুঙ অদু তারক্লে। অদুদগীদি ঐগী হকচাং লেংবা-থিনবা তৌরম্বা নুংঙাইরমদবা খুদিংমক ফখ্রে। অল্ট্রা সাউন্দ লৌথোক্লুবদসু লৈবা উদ্রে। মসিগীদমক্তা ইয়াম্বা সুধাকর (শামু) বু অসুক্কী মতীক থাগৎচবগা লোয়ননা পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। কনাগুম্বা নুঙ লৈরবা-লৈরবীশিংনা ইয়াম্বা অসিগা তানবীদুনা নুংঙাইনা হকচাং নাদ-য়েক্তনা, নুঙ লৈবগী অৱাবা কোক্লবগীদমক তানবীয়ু হায়জরি।

Sd/- Soubam Boynao Singh
Sagolband Loukham Leirak, ☎9089361037
HL-P/2014/9&10

FREE 3 MONTHS TRAINING COURSE FEE WITH DRESS 100% JOB ASSISTANCE

Sl.	Course Available	Qualification	Ages
1.	O.A. Office Administration	Graduate	18-35yrs.
2.	R.S. Retail Sales	Graduate	-do-
3.	L.A.D.C. Lab Assistant at Diagnostic Centre	Graduate	-do-
4.	W.D. Web Designing	Graduate	-do-
5.	Tourism & Hospitality	XII & Above	-do-
6.	E.H.A. Electrical & Home Appliance's Repair	X & Above	-do-
7.	R.C.O. Retail Cafe Operation	-do-	-do-
8.	R.A.C. Refrigerator & A.C. Repair	-do-	-do-
9.	P&M Pumps and Motor Repair	-do-	-do-
10.	Electrician	-do-	-do-
11.	Bar Bender & Steel Fixer	VIII Above	-do-

URGENT JOB VACANCIES FOR EX-SERVICEMAN & FRESHERS

Sl.	Name of Post	Ages	Salary
1.	Security Guard	Upto 50 yrs.	13,000 & Above
2.	Security Supervisor/Gun Man	-do-	14,500 & Above
3.	Security Officer'/Assistant Security Officer	-do-	16,000 & Above
4.	Training Instructor	-do-	18,000 & 30,000
5.	Driver	-do-	13,000 & Above

MULTIPLE JOB VACANCIES

Sl.	Name of Post	Qualification	Salary
1.	Accountant	XII passed/Tally knowledge	6,500 & Above
2.	Field Officer/Loan Recovery Staff	XII and Above	6,500 & Above
3.	Security Supervisor	XII passed	6,000 to 12,000
4.	Home Tutor	XII and Above	Negotiable
5.	Attendant/Receptionist	X & XII passed	4,000 & Above
6.	Driver	VIII & X passed	6,000 to 13,000
7.	Cook/House Keeping	VIII & Above	6,000 to 12,000
8.	Security Guard	VIII & Above	5,000 to 9,000

LAST DATE OF FORM SUBMISSION : 17/07/2017
INTERVIEW DATE : 19/07/2017
OFFICE HOUR : 9:30 a.m. to 4:00 p.m.
For Details Please Contact :
: 8794829055, 7424017313
LIFE CARE JOB CONSULTANCY
Sagolband Salam Leikai
HL-P/0197/9to14

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road,opposit koirengei auto parking Regd. No. : 729
The Largest,Trusted & Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.
REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE (2017)
Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)

Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2017

2nd Position (Sc.2017)
R.K. Babysana

3rd Position(Sc.2017)
VICTORIA

Only 30 seats each section separated CBSE & COHSEM batches

2nd Position (Arts)
Guneshori

3rd Position(Arts)
Dholenchandra

8th Position(Arts)
Pebam

Separated boys and girls hostels, van service,morning and evening batches .For more details contact 9862992105
HL-B/3879/23-20 (Alt.) July

SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College (Childrens' Ideal High School, Imphal)
/ADMISSION OPEN (BOSEM & COHSEM)
CLASS X (2nd BATCH)
Class Commencing on 5 June 2017
CLASS XI Sc. (1st BATCH)
Class Commencing on 26 June 2017
CLASS XII Sc.(2nd BATCH)
Class Commencing on 5 June 2017
Class Timing 5.am to 7.30.pm and the 4.30.pm to 7.30.pm
For more details #7629855465 / 9615784302
HL-B/3922/8-1 AUG. (ALT.)